# মেজর জোতিন

- এল মনোংবা -




Bust of Late Major (Dr) L. Jyotin Singh at the Jyotin Memorial Park in Leimakhong, Manipur

মেজর লাইশ্রম জোতিন, মণিপুরগী টিদ্দিম লম্বীগী চিদাইদা লৈবা নম্বোল কৌবা মফম অমদা তাইবঙদা খোঙদারকখি। নম্বোল, অদুগুম্লবা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা জপানগী লান্মীশিংগী অরোইবা লানফম ওইখিবা মাইবম লোকপা চীং হায়বা অদুগুম্বা ঐতিহাসিক ওইরবা লান শোক্লখিবা মফমনি। ঙসিগী নুমিৎ অসিদা নম্বোল থাজবা অমসুং শান্তিগী খুদম ওইরিবা ‘ইন্দিয়া পিছ ম্যুজিয়ম’ গী শাগোন্নফম ওইরি। হায়রিবা ম্যুজিয়ম অসি জপান্না মরৈবাক্কীদমক মথ্বায় কৎখ্রবা অথৌবশিংদুগী নীংশিং খুভম ওইনা কৎপনি।

মেজর জোতিন অসিগুম্লবা ঐতিহাসিক ওইরবা নম্বোলগী অৱাং লৈকায়দা লৈবা লাইশ্রম মারকন্দো অমসুং লাইশ্রম ইবেয়াইমা অনীগী অহুমশুবা মচা ওইনা কুমজা ১৯৭২গী মে ১৪দা ফংজখি। মেজর জোতিনগী মথক্তা মচে ডা. এল বিনাকুমারি অমসুং শ্রীমতি এল রাগিনি, মেথমেটিক্সকী লেকচররনি। মহাক্কী মখাদা মনাওনুপা এল বোইংনা আই আই টি গুৱাহাটিদা সিভিল এঞ্জিনিয়ারিংগী প্রোফেসরনি। মপাবুং ইবুংঙো ষ্টেট লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর অমসুং হোর্টিকলচর লোইশঙদা কর্ম্মচারি ওইরম্মী অমসুং অপোকপী মমা ইবেয়াইমা লৈঙাক্কী থবক তৌখিদে। অসিগুম্লবা চম্লবা ইমুং অমদগী হৌরকখিবা মেজর জোতিন অমসুং মহাক্কী মচিন-মনাও মখোয় পূম্নমক খুন্নাইদা মতিক চাবা মীথোই মীহেনবা, মীয়াম্না ইকায়খুম্নবীবা মীশক লোইনা ওই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অদুবু মচিন মনাওশিংগী মরক্তগী মেজর জোতিন তোমথিন ঙানবা মীশকনি হায়বদা চিংননীংঙাই লৈতে।

পিশক পিক্লিঙৈদগী ইবুংঙো হায়না খঙনরকখিবা মেজর জোতিন ঙক্লিঙৈ পুন্সিদগী হৌনা শান্ন-খোৎনবদা পূক্নিং লুপ্লকপা মীশক অমনি। মহাক ফুটবোল, লমজেল অমসুং ট্রেকিংদা পূক্নিং চঙলকখি। মহাক্না মণিপুর পব্লিক স্কুল (এম পি এস) তা তম্লিঙৈদগী হৌনা হোৎনবা কনবা, মতম চানা চৎপা মীশকনি। মহাক্কী হৌরকফম নম্বোলদগী নুমিৎনা য়াকাইরক্ত্রিঙৈ মমাঙদা ইম্ফালদা য়ৌরক্লগা মহাক্কী লাইরিক তম্নবা ট্যুসন নংনবা লাক্লগা, মমান্নবশিংগী মনাক্তা লৈরগা লাইরিক তম্লকখি। এম পি এসতা তম্লিঙৈ মতমদুদা খ্বাইদগী হেন্না ইকায়খুম্নফম ওইরিবা রিপব্লিক দে পেরেদতা কন্টিনজেন্টকী লুচিংবা ওইখি।

পিক্লিঙৈদগী হৌনা মশাগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা হৌরকখিবা মেজর জোতিন, মহাক্কী হৌরকফম নম্বোলদদা নত্তনা অতোপ্পা খুদোংচাদবা কয়াগী মতেং পাংবা পামজবা মীশকনি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসিনা মহাক কুমজা ১৯৯৬তা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালদা তমখি। পিক্লিঙৈদগী শান্ন-খোৎনবদা পূক্নিং লুপ্লকপা মীশক ওইবনা ববা ফরিদ য়ুনিভর্সিটি ওফ হেল্থ সাইন্সেস, পটিয়ালাগী মখাদা লৈবা নেটাজি সুভাস নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতগী কুমজা ২০০১দা স্পোর্টস মেদিসিন্দা দিপ্লোমা লোইখি। পনবা য়াই, মহাক্কী মরুপ অমনা অসুম্না মেজর জোতিনগী মরমদা হায়খি, মতম চূপ্পদা মোমোন্তা নোকপা মেজর জোতিন দরকার লৈবা কনাগুম্বা অমগী মতেং পাংনবগীদমক মতম পূম্বা শেম শারগা লৈবা মীশকনি। অসিগুম্লবা মহাক্কী গুন অসিনা মহাকপু ইন্দিয়ন আর্মি মেদিকেল কোর্পসতা পুশিল্লকখি।

ঙক্লিঙৈ মতমদগী মেজর জোতিনগী আর্মি (লান্মীগী) দা লৈমিন্নরকখিবা লেফটিনেন্ট কর্নেল ডা. এম কে কে মরিংনা হায়, কেপ্তেন সী ঐচ কৈসিং, কেপ্তেন এল জোতিন, কেপ্তেন এম অথিখো অমসুং মশামক মণিপুরদগী হৌরকখিবা অমসুং রিমসতগী হৌমিন্নরকখিবা মখোয়না অহানবা আর্মিদা চঙবা মতমদা থেংনরকখিবা অৱাবা, নুংঙাইবা, ইচম চম্বা সিভিলিয়নগী পুন্সি অমদগী অদুগুম্বা দিসিপ্লিন্না য়োম্লগা শেম্বা আর্মিগী পুন্সি, পুন্সি তাঙ্কক অদো কয়াগী মতিক ৱাখিবা, মীপূম খুদিংগী নোক্লফম ওইখিবা। থেংনখিবা অহোংবশিংদুদা অৱাবা, নুংঙাইবা, ইকায়বা, নুংশিবা কয়ানি। পনবা য়াই, নৌরিঙৈ মতমদুদা কম্পেনিগী মেজর হবিলদারনা ‘বায়ে সেল্যুট’ হায়রকপদা মেজর জোতিন খঙহৌদনা ওইথংবা মখূৎ থাঙ্গৎলগা সেল্যুট তৌখিবা, কম্পেনি মেজর হবিলদার মশামক ফাও ৱাম্থগে তৌখিবা পনবা য়াই। ট্রেনিং লোইরগা মেজর জোতিন সমুদ্রগী ঈমাইদগী থাক ৱাংনা লৈবা এ পিদা পোষ্টিং তাখি। মতমদুদা মহাক বোর্দর রোদস ওর্গনাইজেসনগী মেদিকেল য়ুনিটতা লৈখি।

লেফটিনেন্ট কর্নেল (ডা.) এম কে কে মরিংনা অসুম্না মখা তারকই, নহা ওইরিবঁগে, পুন্সিগী থৌদাং লুনা খঙদ্রিঙৈ মতম অমসুং ট্রেনিং লোইরবা মতুং, ট্রেনিং মনুংদা থেংনখিবা অৱাবা কয়ানি। থেংনখিবা অৱা-নুংঙাই কয়াদুনা ট্রেনিং লোইরকপদা মখোয় পূম্নমকপু হেন্না ফবা, হেন্না মচং থোকপা মীশক অমা, ডোক্টর অমা ওইহনখিবা। ট্রেনিং লোইরবা মতুংদদি মাগী মাগী পোষ্টিংদা চৎনখিবা, অমনা অমদগী লাপথোক্লখিবা, কনানা খঙখি কুমজা ২০০৯দা লৈমখোংদা, সিলচরদা উনখিবদুনা অরোইবা ওইগনি, তম্বা ঙমদে, মতমদুদা য়ূম পান্নবা, হান্না য়ূম্বাল লম্বীদা খোঙদানবা হায়খিবা, অমুক উনবা ফংলরোই হায়বা কনানা খঙখিবা। তম্বা ঙমদে পুন্সি খোঙচৎ। ঙরাংতা মাল্লি মীকুপশিংদো, ৱাহৈশিংদো।

রিটায়র্দ মেজর (ডা.) এন জিতেন সিংহনা মেজর জোতিনবু নীংশিংলগা অসুম্না হায়রকই, মেজর জোতিন মহাক্কী য়ুনিট/বট্টালিয়ন খক্কী খনবদা নত্তনা মফম অদুদা লৈরিবা মীচম মীয়াম পূম্নমক্কীসু খনবা মীশকনি। মহাক্না অরুনাচল প্রদেশতা লৈরিঙৈদা জি আর ঈ এফকী মীওইশিংদা নত্তনা অকোয়বদা খুন্দা লৈতারিবা মীচম মীয়ামগীসু য়াওনা চাউরবা থৌদাং লৌবীখি। মতমদুদা মফমদুগী অহল লমনশিংনা মাবু অদুক্কী মতিক য়ারম্মী অমসুং পামখি মদুদি মফমদুগী চনুরা অমগা লৌন-লৈনরগা মফমদুদা খুন্দা লৈতানা লৈনবা ফাওবা হায়খিবা লৈ। অসুম্নসু মখা তাবীরকখি মদুদি মেজর জোতিননা মিলিটরি হোস্পিটাল, অগরটলাদা লৈরিঙৈদা মহাক্না পুবিরম্বা থৌশিং মীং ওইনা পল্লবদা - মেদিকেল ওফিসর কম ক্বাটরমাষ্টর কম এদজুটেন্ট; মরক মরক্তা য়ুনিটকী কম্মান্দিং ওফিসর ওইনা, হোস্পিটালদা মহাক্কী মথৌদাং পাঙথোকপদা নত্তনা মেজর জোতিননা মহাক্কী মরুপ-মপাংশিংদা উৎখিবা মথৌদাং পনবগী লোইবা নাইররোই।

মেজর জোতিন ফুটবোল অমসুং বেদমিন্টন্দা হেন্না পূক্নিং চঙখোন্না শান্নবা ঙল্লম্মী। অহাঙবা মতমদা য়ুনিটকী জৱানশিংগা লোয়ননা ফুটবোল শান্নবা নৎত্রগা মহাক্কী গেরিসনগী ওফিসরশিংগা বেদমিন্টন শান্নরম্মী। মরম অসিমক্লা মহাক জৱান্দগী হৌরগা ওফিসরশিংগী মরক্তা ময়াম্না য়াবা, হেন্না পাম্নবা মীশক অমা ওইখি। অসুম্না অদুগুম্লবা ইম্ফাল সহরদগী লাপ্পা লৈবা নম্বোলদগী হৌরকখিবা ইকায় থীগনবা জোতিন মথৌদা মপূক্নিং চঙবা, মথৌদাংদা কথোক্লবা লান্মী অমা, ওফিসর অমা, ডোক্টর অমা ওইরকখি।



The martyr's brother Prof. L. Boeing School receiving the Ashoka Chakra from the Hon'ble President on Republic Day, 2011

কুমজা ২০০৭তা হায়দরবাদতা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড মিলিটরি গেমসতা শরুক য়াবগী তাঞ্জা মেজর জোতিন্দা ফংখি। মশামক শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওবা অমদি মতিক চাবা ক্বালিফিকেসন পায়বনা মরম ওইদুনা মহাক গেমস অদুদা শরুক য়াখি। কুমজা ২০০৭কী ওক্টোবর ১৪দগী ২১ ফাওবা পাঙথোকখিবা গেমসতা শরুক য়াখি। মমল য়াম্লবা তাঞ্জা অদুনা মেজর জোতিনগী পুন্সিদা হেন্না কান্নবা ওইহনখি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মীওই কয়াগা হকথেংননা থবক তৌবগী তাঞ্জাদুনা জোতিনগী পুন্সিদা হান্না অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা পারা কয়া তম্বা ফংজখি অমসুং হেন্না মপূং ফাবা পুন্সি তাঙ্কক অমা ওইখি।

মহাক্না এন্টি দোপিং সেলদা লৈদুনা হেন্না থৱায়-পূক্নিং য়াওনা লৌখিবা থৌদাংদুবু খঙবীবা ওইনা ইন্টরনেসনল মিলিটরি স্পোর্টস কাউন্সিলদগী থাগৎপা ফোঙদোকপগী শকখঙ চে ফংখি। মহাক্কী অসিগুম্লবা শীংথানীংঙাই ওইরবা গুন অসিমক্লা মহাক দেল্লিদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা পুনেদা শীনবা মশান্না অমগী মেদিকেলগী থৌদাংসু পুহনখি।

কুমজা ২০০৯গী দিসেম্বরদা মেজর জোতিন অফঘানিষ্টান্দা চৎকদবা ইন্দিয়ন মেদিকেল মিসনগী ট্রেনিং তৌনবা দেল্লিদা থুংখি। কাবুলগী দেল্লি থাদোক্কদবা নুমিৎকী মমাঙগী অহিংদা মেজর জোতিন অমসুং ডা. জিতেন দেল্লি হাটতা উনখি। অহিংদুদা মহাক্না কাবুলদগী হল্লক্লগা য়ূম্বানবগী লম্বীদা (ইমুং-মনুংগী অহল-লমনগী অপাম্বগী মতুংইন্না) খোঙদারগনি হায়রমখি। অদুবু মহাক কাবুলদা চৎকনি হায়বা ৱাফমদু মহাক্কী ইমুং-মনুংদা খঙহল্লমদে; মরমদি করিগুম্বা মখোয়না খঙখিবা থোক্লবদি মহাক্কী খোঙচৎ অদু শোয়দনা থিংলক্কনি হায়না কিবগী।

কনানা খঙবা বিধিগী নোংদম, অহিংদুদা উনখিবদুনা পুন্সিসিমগী, মপোকসিমগী অরোইবা ওইগনি হায়বা। মহাক্না কাবুলদা থুংখ্রবা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা কাবুলদা লৈবা মহাক্কী লৈফমগী ঊন্না কুপ্পা নীংথিজরবা ফোটো খরা ডা. জিতেন্দা থারক্লমখি।

অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা কুমজা ২০১০গী ফেব্রুৱারী ২৬তা তাখিবা থাজবা ঙল্লরোইদবা, অঙকপগী মশক ওইদুনা অদুমক লৈখ্রগদবা পাউদুনা অমুক হন্না মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অৱাৎপা, অৱাবগী মশক মেজর ডা. লাইশ্রম জোতিন য়াওনা ইন্দিয়া মচা ৬ কাবুলদা টেররিষ্ট এটেক অমদা থৱায় মাঙখ্রে হায়বা খঙখি।

নুমিৎতুগী থৌদোক : কাবুল সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ১৭৯১ ৱাংনা লৈবা মরমনা ফেব্রুৱারী মতমদা অয়াম্বনা কা হেন্না ঈংবা, জিরো দিগ্রীগী মখাদা লৈবা মফম অমনি। মেজর জোতিন মফমদুদা (কুমজা ২০১০ ফেব্রুৱারী) থুংলবা মতুংদা ইন্দিয়ান মিসন হোস্পিটালদা লাকখিবা অনাবশিং য়েংবা হৌরমখি।

ফেব্রুৱারী ২৬কী অয়ূক অঙনবা পুং ৬.৩০ তাবা মতমদা বুর্কানা কুপ্পা লালহৌবা অহুম অমসুং মখোয়গা লোয়ননা দ্রাইভর অমনা কাবুলগী শেরই নাৱদা লৈবা নুর গেষ্ট হাওসকী কংক্রিটকী ফক্লাং অদু লান্না চঙনবা হোৎনখি। মতমদুদা মেজর জোতিন অমসুং মহাক্না লোয়নবা ইন্দিয়াগী ষ্টাফ মফমদুদা লৈরম্মী। থংনবদা লৈবা পোষ্ট হাওসশিংদসু অতোপ্পা লৈবাক্কী মীওই কয়া লৈরম্মী।

মফমদুদা দ্যুটি তারম্বা অফঘান সিক্যুরিটি গার্দ অমসুং লন্নাইগী খূৎলায় পায়বা সিক্যুরিটিগী মীওইশিংনা লালহৌবশিংদুবু থিংনবা হোৎনখি। মীকুপ্তুদা লালহৌবশিংদু চেন্নবা হোৎনখি। গাড়ী থৌরকপা মীশক্তুনা গেট য়ৌগদবা মিটর ৬০ মুক ৱাৎলিঙৈদা মশামক য়াওনা গাড়ী অদুসু পোককায়হল্লমখি। শাফু কল্লবা বোমদুনা ফীট ১২ পাকপা ফীট ৬ লুবা কোম অমা শেমখি।

লালহৌবা অহুমদুদগী অনী অমনা থংনবদা লৈবা গেষ্ট হাওসশিংদা চঙখিরম্মী। অহুমশুবা মীশক অদুনা মেজর জোতিন অমসুং মহাক্কী লোয়নবশিংনা লৈরিবা নুর গেষ্ট হাওসতা চঙখি। লালহৌবশিংদু মশানা মশাবু শিজরগা পোকখায়নবা বোম্না য়োম্বা ভেষ্ট লিৎলম্মী। থংনবদা চঙখিবা লালহৌবা অনীদুগী মনুংদা অমদি মশানা মশাবু লোইশিনজনবা বোম পোকখায়হনখি। বোমদুনা পোকখায়বদা হোখিবা অহোবদুদা অতোপ্পা লালহৌবদু চেনখিরম্মী।

নুর গেষ্ট হাওসতা চঙলকখিবা লালহৌবদুনা মফমদুদা লৈরমখিবা ইন্দিয়াগী মীওইশিং কোয়থি থিখি। মখূৎতা পায়বা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপ্পুনা, গ্রেনেদ লংদুনা হিন্দি ঙাঙবা মীওইশিং থিখি। অসুম্না লাকখিবনা মহাক মেজর জোতিন্না লৈরিবা কাদুগী থোঙজিন্দা মখূৎতা এ কে ৪৭ এসোল্ট রাইফল পায়দুনা লৈরমখি। মীকুপ্তুদা লালহৌবদুগী মশাদা গ্রেনেদ লোইখিরম্মে।

অসুম্না মীকুপ্তুদা মেজর জোতিন লালহৌবদুগা মীৎকা মীৎকা মায়োক্ন দুনা লেপ্পম্মী। লালহৌবদুনা মখূৎতা পায়রম্বা নোংমৈ অদু থাঙ্গৎতুনা মেজর জোতিন্দা কাপ্পবা হোৎনখি। অদুগুম্লবা তাইবঙ থৱায় লানবগা পাঙ্খক ওইরবা মীকূপ্তুদা মেজর জোতিন্না অশিবা হায়বা পোৎশক্তুগী মায়থোঙদা অকিবা ফাওদনা, শৈথাবগী অৱাৎপতা ওইরগদবা থৌনা উৎতুনা লালহৌবদুগা খূৎ থানখি। মহৌশাদগী শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওরকখিবা মেজর জোতিন ডোক্টর অমদগী হেন্না মথৌনা লৈরবা মীশক ওনখি। অফ-ফত্ত খন্থনবগী মতম লৈত্রবা তাঞ্জাদুদা মহাক্না উৎখিবা মথৌনা মরিংজেল ৱাহৈনা ইদুনা শৈথারুবগী লোইবা নাইররোই। (মতমদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং অফঘানিষ্টান লৈঙাক অনীগী য়ানবগী মতুংইন্না খূৎলায় পায়বা য়ারমদে।)

অসুম্না ইখঙ খঙহৌদনা মেজর জোতিন্না লালহৌবদুবু চোঙশিন্দুনা নম্নখি। ঙাইহাক খূৎ থানরবা মতুং মেজর জোতিন্না লালহৌবদুবু খুদুম চনখি অমসুং লালহৌবদুগী মখূত্তা পায়রম্বা এ কে ৪৭দু লৈমায়দা তাখি। মশা-মউ ফরবা ডোক্টর অদুনা খুদুম চনবদগী পাম্বৈ লৈত্রবা লালহৌবদুনা শেৎলকখিবা বোমগী ফিজেল অদু পোককায়হনখি। শক্তি লৈরবা বোম অদুনা মীৎনা কূপ্পদা মখোয় অনীমক্কী হকচাংশিংদু মচেৎ মচেৎ কয়া থোকহনখি।

মথৌনা মরিংজেল ফবা মেজর জোতিন্না অশিববু নোক্লা নোক্লা মায়োক্লদুনা মথ্বায় থাদোক্তুনা মহাক্কী লোয়নবশিংগী পুন্সি কনখি।

মথক থোংবা ওফিসর অমসুং মীৎনা উহৌবা কয়ানা অসুম্না পাউদমখি মদুদি থৌদোক্তুনা মেজর জোতিনগী হকচাংগী কয়াৎ অয়াম্বা মচেৎ মচেৎ তাহনখি। মহাক্কী কাউঙল্লরোইদবা শকফম অদুদি হৌবা শম অমসুং মকোই মৈনা চাকপগী খুদম নত্তনা কা হেন্না শোকখিদে।

অসুম্না মহাক্না মরৈবাক্কীদমক খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মওংদা মথ্বায় থাখি। য়েক্নবগী মায়োক্তা নোক্লা নোক্লা, কনানসু হেনবা ঙল্লরোইদবা মথৌনা মরিংজেল উৎপা ঙমখি। মহাক্না ডোক্টর অমা, ওফিসর অমা ওইনা লুচিংবা অমা ওইনা মীওইবগী পুন্সিবু কন্ননবা ট্রেনিং অনীরক ফংখিবদুনা মহাক্কী লোয়নখিবা খূৎলায় পায়দ্রবা মরৈবাক মরৈচাশিংগী থৱায় কন্নবগীদমক মথ্বায় খূবাক্তা হাপ্তুনা অরোইবা য়াহিপ তানখি। মসিদগী হেনবা করি করম্বা মথৌনা-মরিংজেল অমসুং কথোকপা লৈরমখিনি।

মীৎনা উহৌবা কনানা অসুম্না হায় মদুদি, লালহৌবশিংদু উর্দু লোল ঙাঙই, অফঘান্দা শীজিন্নবা ‘পাশতো’ নৎত্রগা ‘ডারি’ লোল ঙাঙদে। মরম অসিদগী লালহৌবশিংদু লাস্কর-ঈ-তোইবগী লালহৌলূপ কাঙবু ওইরম্বা য়াই খন্নখি। লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা থৱায় থাখ্রবা মেজর জোতিনগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদু ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী স্পেসল ফ্লাইট অমদা কুমজা ২০১০গী ফেব্রুৱারী ২৮দা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা পুরকখি। ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরী-মতা, মরুপ-মপাং, আর্মিগী দিভিজনেল কম্মান্দর, লুচিংবা কয়া য়াওনা মেজর জোতিনগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংবু অরোইবা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা শ্রধাঞ্জলি কৎখি। অরোইবা মথৌ মঙমদি মহাক্কী হৌরকফম ওইরিবা নম্বোলদা পাঙথোকখি।

লাইওইখ্রবা মেজর জোতিনগী অপোকপী মমাগী মফমদা মচানা মহাক্কী কাবুল খোঙচৎকী মরমদা ৱাহৈ অমফাওবা খঙহল্লমদে হায়দুনা তকসি শোঞ্জখি। করিগুম্বা খোঙচৎ অদু খঙলম্বা থোক্লবা মহাকপু ময়ূম মকৈ পালহন্দুনা য়ূম্বাল লম্বীদা চঙহনখ্রবদি মহাক্কী খোঙচৎ অদু ওইথোক্লমদবসু য়াই। লাইবক থীবা থৌদোক অদু নংলমদবসু য়াই। অদুবু মহাক্কী পুন্সিগী অরোইবা ফিদমদি মহাক মশানা কনাসু খঙহন্দনা হান্ননা ইথোকখ্রবগা পাঙ্খক ওইখ্রে। থৱায় য়াওদ্রবসু মহাকপুদি অশেঙবা অচুম্বা ময়ামগী লমজিং মৈরা অমা ওইনা লৈহৌরি।

মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুং কুমজা ২০১১গী জন্যুৱারী ২৬ গনতন্ত্র দিৱস নুমিত্তা মেজর জোতিনবু ‘অশোক চক্র’ পীদুনা মতমদুগী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট শ্রীমতি প্রটিভা দেবীসিং পাটিলনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মনা অদু মহাক্কী পোকমিন্নবা মনাও নুপা প্রোফেসর এল বোইংনা লৌখি। হায়রিবা ‘অশোক চক্র’ অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মথৌনা মরিংজেল লৈবশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপা মনানি। মেজর জোতিননা মনা অসি ফংবা আর্মি মেদিকেল কোর্পসকী অহানবা ওফিসর ওইরি।

অশোক চক্র অসি ‘মথৌনা লৈবশিংদগী খ্বাইদগী অহেনবা’ দা পীবা পরম বীর চক্রগা মান্নবা অদুগুম্বা মীংথোলনি। কুমজা ১৯৫২দা পীবা হৌরকখিবা মীংথোল অসি ঙসি ফাওবদা মথৌনা মরিংজেল লৈবা মীওই ৮৩ খক্লা ফংবা ঙমখি।

আর্মি, আর্মি মেদিকেল কোর্পস অমসুং মসিগী লূপ কয়ানা মেজর জোতিননা উৎখিবা কথোকপদুবু লেম্না মাঙখিদনবা ঙসি ফাওবা হোৎনবা লেপত্রি।

আর্মি মেদিকেল কোর্পস সেন্টর অমসুং কোলেজ, লক্ষনৌনা অসিগুম্লবা ভারত ইমাগী খ্বাইদগী মথৌনা লৈরবা মপারি অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা সেন্টর অসিগী মপূং ওইবা ওদিটোরিয়মবু মহাক্কী মীংদা মেজর লাইশ্রম জোতিন সিংহ, এ সী, ওদিটোরিয়ম হায়না মীংথোনখ্রে। মসিগীসু মথক্তা সেন্টর অসিগী কেম্পস মনুংদা লৈবা লমলোং মরি ফাংবা মরু ওইবা জগা অমবু মেজর এল জে সিংহ, এ সী, চৌরাহা হায়না মীংথোনখ্রে।



Major Jyotin Chauraha at Hissar Military Garrison

কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বরদা মিলিটরি হোস্পিটাল, হিসার হরয়ানাগী কর্মি খুদিংমক্লা পুনশিন্দুনা মেজর জোতিনগী মীত্তম অমসু খিনখ্রে। কুমজা ২০১১গী দিসেম্বরদা লৈমখোঙদা লৈবা মিলিটরি গেরিসন্দসু মহাক্কী মীত্তম অমা খিনবতা নত্তনা মতমদুগী দিভিজনেল কম্মান্দরনা মহাক্কী মীংদা জোতিন মেমোরিএল পার্ক মীংথোন্দুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

পনবা য়াই, হায়রিবা মীত্তম অদু মেজর জোতিনগী পোক্লফম লমদম ওইরিবা নম্বোলদা লৈবা লাইহকপা এল ফোনিন্দ্রোনা শাবনি।

কুমজা ২০২০গী ওগষ্ট ১৪দা মণিপুর লৈঙাক্লা ‘মেজর লাইশ্রম জোতিন সিংহ, অশোক চক্র (পোসথ্যুমস), এক্স গ্রেসিয়া স্কিম ফোর নেটিবস ওফ মণিপুর কিল্ড ইন এক্সন’ হায়না মীংথোনবা স্কিম অমা শেমখ্রে। স্কিম অসিগী মতুংইন্না লানফমদা থৱায় থাখ্রবশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা লুপা লাখ ৫গী শেনফম ফংহনগদৌরি।

ঙসিগী খুন্নাই অসিদা হৌরক্লিবা তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা নহাশিংনা লমজিং মৈরা ওইবীনবা মশেক মঙাল লৈরবা মীওই দরকার লৈ। মেজর জোতিন নোংশাদগী হেনবা থম্মোয় পানবা অদুগা মথৌনা লৈরবা, কথোকপদা নাচুংবা পোকখিদ্রবা, মরৈবাক অমসুং মজাতিগীদমক থৱায় কৎখ্রবা লমজিংবা লময়ানবা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঙসি ঐখোয়গী ইরৈবাক ইরমদম মণিপুরনা অসিগুম্লবা থৌনা লিংজেল ফরবা মীশক অসিবু ঐখোয়গী লম্বী লমতাক্লবা লমজিং মৈরা অমা ওইনা উবা তঙাইফদে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অফবা ফত্তবদি থবক্লা তাক্লি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইপা-ইপুগী ৱাহৈদা ঙাঙনীংই-শকনীংই হায়দুনা তুংগী পোরম খঙদনা পংঙাঙ ঙাঙলুনু, দশা তারগা মদোমতনি ৱাজগদবা হায়নবসু লৈরি। অদুবু মীনা হেক উরুবা অফ-ফত্ত কনানা করি তৌরি, মীওইবনা উনা-খঙনরিবা ঙাক্লি। ঙানা ঈশিংদা ৱা ঙাঙগে তৌবদা ঈশিংনা পল্লি হায়নবদো হৌজিক্তি অচুম্বা ওইনরক্লি। উরবসু মহৈ মহৈ তুমিন-তুমিন লৈনখ্রে। অৱাবা তানরক্কদ্রা খন্দুনা থম্মোয় ফানা লৈনবসু কয়ানি। অচুম্বা তৌবা মীগী অৱাবা মশক খঙনা মীনুংশি লৈবা হায়বদুনা কদোমদা লৈনখ্রবা? অশেংবা চৎপা মীওইদি করিসু লৈতনা খনবীবা, ওইদ-পাদ চৎপা ঙাঙনীং-ঙাঙনীংবা ঙাঙবনা লাইগুম্না লুনা খন্দুনা শিংথানবগী চৎনবী মতম ওইরি। অদুনা মীওইনা পোক্লুবগী মীনা শেম্বা চৎনবীগী মীনুংশি অমগী ৱাখল্লোন্দা মী অমনা মীওইবা অমদা তেংবাঙগী মীৎয়েং খজিক য়েংলুবদা অমনা হেক্তা কল্লক খম্বলগী পুকচেলনা লান্না হেক্তা লৌনবা মীসু লৈতবা নত্তে। মশাখক্তগী মতেং পাংহন্নীংবা মীঙোন্দা পীথোকপদি হৈতবা, ওইজবতা পামজবসু কয়া লৈনরি। শক-চু খেন্নবগী পুকচেলসু খেন্নে হায়বদু তাক্লি। অদুনা মীওইবা ঐখোয়গী ইরক্তা পীরিমখৈ পেনবা লৈতবা মীওই লৈনবনা খুন্নাই অমা ফনবা শেম্বদা মীৎয়েং মান্নদবদগী ৱারৌনদুনা লৈবাক ঈরাং হৌহনবা য়াওদবা নত্তে।

অমরোমদা লিনসু শিনবা, চৈশুসু তেক্তনবা, অমগীসু মনিং থুংহনবা, ৱারৌবগীসু পেন্নবা হোৎনবা, অচান মীরাই নাইদবা ৱাখল্লোন লৈনরবদি অমসু অমসু ৱারৌনরোই। লৈঙাক মপুসু নাকোং ৱাই চিন্দুনা কোক শারোই খঞ্জে। অদুবু হায়জবগী ৱাতনি মসিদা ঐখোয়গী ইরক্তনি পুকচেল খোইনরিবা, অখোয়বা পুকচেলনা হেনখিবনা ঐগীতা খনবা ৱাখলনা শুগদবা মরক্তগী নামৈনা অচৌ অশাংগী য়াথং ঙাক্লিবা মতমগী থিকাদারনা লৌথোকপা হেনবনরা, শুরিবা মীনা হৈতবনরা খঙদে কোয়লাস থাবা, দ্রেন চনবা, য়ূম-কৈ, বিল্ডিং শাবা, লম্বী থোং শেম্বা শাবা কয়াদা ফৈ-ফত্তে তত্তনা টি ভি পাউদা উৎলকপা লম-লম, মফম-মফমগী মীশিংনা পাউদম্লকপা উরু-তারুরগা শুরিবা নোম্লিবা মখোয়দি ইকায়বা ফাউরম্লোইদ্রা? ৱাহং কয়ানি হংনরক্লিবা।

থবক শুরিবশিংনা থবক্লা চোপ্পা শুরুবদগী লৈঙাক্কী মায় থিহনবনি হায়বদি খন্থনদে। মসিদা তাইনফম ওইরিবনা লৈশেম লৈঙাক্তা ওইনা ফজনা শেন্বী-শাবীদে হায়না তাইনফম ওইরি। তৌবগীদি মচা ফত্তবা পোক্লগা মমা মপা চেন্নে হায়বদুনি। অদুনা শেন্লি শারিবা খুদিংনসু তুংগী মীংচৎ লৈহৌনবা মৈশা লাংদনবা পুকচেল শেংনা থবক শুগে খনবা অমদি চঙব্রা খল্লি। অদুবু হৌজিক্তি পুকচেল শেংনা মীয়ামগীদমক থবক তৌবদি ইচাসু, মীচাসু য়াওদব্রা খঞ্জে। থকপা চাবা তৌরুরগা ঙাঙথোরকপদা ববা ঐ চাদে, ইমা ঐ থক্তে হায়বা ৱাহৈতনি মচিন্দদি ফজবা শ্বর হোনবদদি নমথীবা মনম্না লেংথৈনবা য়াদে। অসুম্না পুকচেল শেংনা থবক তৌনবনা শেল অসুক চঙখ্রে মহায়বা অদুবু শুরিবা থবক্লদি অফ-ফত্ত তাক্লি। মীনা থবক তৌবদা য়েংশিঞ্জবা নৎচদে, শুরিবা, শুরম্বা থবক্লা উৎলকপা খুদম অদুনি ৱারৌবিরোই। মসিদা থিকাদারশিংগী মরক্তা থবক্তি শুদনা থবক হৌজিন্নরগা বিল হান্না লৌথোক্তুনা থবক শুদবসু য়াওব্রা খঙদে, দ্রেন চনগনি তৌরম্বা য়োৎচৈ খরা পোলাং শারগা খোংবান মনুংদা য়ুংশিল্লম্বা চহী হেল্লবসু তুমিন লৈশিন্দুনা দ্রেন চনবা লোইশিন্দনা লৈবা মফমসু লৈরি। অসিগুম্বা অসিনা ইরমদম অসি শেমগৎ-শাগৎপদা শোত্থনা লৈবগুম তৌরি। খুদম ওইনা কোনুং মমাংদগী ৱাংখৈ কোংবা হাইথরকপা পেতংঙা লাইরেম্বীগী শঙলেন হেক মমাঙ হিদাম লম্পাক হায়রগা খঙনবা লৈরক মচাসিদা চেল্লিবা খোংলমসিনি। তখেলখোং মরীল ঈচেলনা দেবী পাৎতা তারগা কোংবা তুরেলদা ইতিনফম ওইখিবা মরু ওইরিবা খোংলমনি। অদুবু, হোয় পূম্নমক অমবু ওইরে, অমবু ওইরে মী অমগী অনীংবা, লায়রবা অমবু ইনাকখুনবা তরানা শৌগৎপা ঙমদে হায়নবসু লৈরি। তৌবতবু ‘অফবা ফত্তবদি থবক্লা তাক্লি’ মসিদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং অমুক্তং চঙবীয়ু হায়জরি। তোন্দা তোনবদৌনা থম্বীবা হায়বসিসু লাইনসু য়ারোই, মীনসু ৱারৌনি। অদুনা খোংলমসি ফত্তবনা নোংজু থা খুদিংদা ঈশিং থুম্বনা হায়জবনি ৱারৌবীরোই খঞ্জে।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম*
*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়, ইম্ফাল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।